হুইয়েন লানপাউ

Vol. 40, Issue No.323 | য়ুমশকৈশা, লমতা ৩নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, March 01, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## অব্দুল সলাম লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ : মণিপুরগী রাজ্য সভাগী এম পি অব্দুল সলাম ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৭.৩৫ রোম তাবদা নোর্থ ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

**HL POLL**

**Q: Rahul Gandhigi Imphal khongchatna congress ki mirepsing amasung miyamda ithil piba ngamgadra ?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q: CMna senja thumjagi khudam piyu, jailda changbige hairisi BJP-na piba ngamgadra?**

Yes 46% No 54%

# ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনরমদাইদা সী এম খঙহল্লমদবা করিগীনো : রাহুল গান্ধী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮(ঐচ এন এস) :

সেন্টর অমসুং এন এস সী এন (আই-এম)গী মরক্তা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনরমদাইদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীদা খঙহল্লমদ্রিবা করিগীনো হায়না মণিপুর মীয়াম্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা হংবীয়ু হায়না ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)না শীল্লগা মীওই লাখ ২ হেনবনা শরুক য়ারগা কোনুং মমাঙদা লৈবা হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোকখিবা কোংগ্রেস পার্টিগী পোলিটিকেসন কনভেন্সনদা ৱা ঙাঙলদুনা এ আই সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হায়খি, সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক্লা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা করি য়াওবগে নৎত্রগা করি য়াওদবগে



হায়বদু ঙসি ফাওবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা নত্তনা মণিপুর মীয়ামদা খঙহন্দে। করিগুম্বা মোদিনা মফম অসিদা অমুক লাক্লবদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা য়াওরিবা ৱাফমশিং করিগীদমক খঙহন্দবনো হায়না মীয়াম্না হংবীয়ু। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

### রাহুলগী মচং ওইবা ৱারোল

- কোংগ্রেস পার্টিনা মণিপুরগী ঙমখৈ মতম চুপ্পদা ঙাক্তুনা থমগনি।
- ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনদ্রিঙৈদা মণিপুরগী সী এম খঙহল্লমদবা করিগীনো?
- ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনরবা তুংদা পি এম মোদিনা সোনিয়া গান্ধীদা টেলিফোন তৌরক্তুনা মতেং পাংবীনবা হায়রকখি।
- ষ্টেটসিদা লৈরিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা পি এম জি এস ৱাইগী থবকশিং মপুং ফানা পাঙথোকপনা শীংথানিংঙাই ওইরি।
- মণিপুরদা পোকপদা অঙাং শিবগী চাং খ্বাইদগী হন্থবগী এৱার্দ ফংখি।
- লম অনীরক পীরবসু মোদি গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংখৎকনি হায়বা থবক্তা ওস্থোক্ত্রি।
- নেসনল হায়ৱে-৩৭ শেমগনি হায়রগসু থবক্তা ওস্থোক্ত্রি।

# অমিট সাহ : কোংগ্রেসনা মণিপুর চাউখৎহনবা ঙমদ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮(ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা পাল্লিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা চাউখৎপা পুরকপা ঙমদ্রে হায়না বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট সাহনা ঙসি ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

নুমীৎ নীনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা থুংলখিবা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট সাহনা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা হায়খি, কোংগ্রেস লৈঙাক্লা হৌখিবা চহী কয়া অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপা ঙমদবা অসিদা বি জে পিনা কেম্প্যেন তৌদুনা লাক্লি। হৌখিবা চহী ১৫ রোম কোংগ্রেসনা পায়রকপা অসিদা মণিপুর মীয়াম অৱাবা ওইবদগী অহোংবা পুরক্লবগী ঈহৌ লাক্লে। লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা মপুং ফাবা মেজোরিটি ফংদুনা লৈঙাক শেমগনি।

মণিপুরদা পাল্লিবা সী এম অসি টেন পার্সেন্ট হায়না খঙনরে। রিক্রুটমেন্ট স্কামগীসু খঙনরে। মীয়ামদা অফবা থক্লবা ঈশিং নীংথিনা ফংহনবা ঙমদবা, লন্থী-থোংগী ফীভম ফত্তবা, লো এন্দ ওর্দর ফেল ওইবা ফীভম অমদা লৈরে। ষ্টেটসিদা লৈরিবা লৈঙাক অসি বন্দ, ব্লোকেদ অমদি ফেক এনকাউন্টরগীদমক খঙনরে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থবক হেক পায়বা হৌরকপগা নোর্থ ইষ্টতা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা প্রাইওরিটি পীদুনা লাক্লি। মণিপুরগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া অমসু পায়খৎখ্রে। ষ্টেট অসিগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*